ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



ফেব্রুৱারী ১৯দা কোটলেন মখাদা থোককখিবা ত্রক এক্সিদেন্টদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর খ্বাইরাকপম সুনিলগী লোয়নবীদা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সাইখোম বাবুধোননা শেলগী মতেং খূৎশিন্নবা

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী চৈথাবা থৌরম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

এগজামদা মহুৎ থাবগী থবক মমূৎ তানা থিগৎহন্নীংই
☛ লামায় ৪

খুন্নাইসি লাইরিক্কী সমুদ্র ওইহনসি
☛ লামায় ৫

ঙসি পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি যুব সঙ্গম টিম ইম্ফালদা থুংলরগনি
☛ লামায় ৬

থোংজু সেবা ক্লব কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা এদল্ট লিটরেসি কেম্পেন এন্দ ষ্টুদেন্ট কোচিং ক্লাস হৌদোকপগী থৌরমদা লৈঙাক্কী জুনিয়র হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা বেগ, খোঙউপ অমদি বোয়নচিংবা য়েন্থোকপা



Vol. 47, Issue No. 001 | ইরাই, শজিবু হুমনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, March 24, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# মীতৈ/মৈতৈ ১সুং মৈতৈ পাঙলনা এস টি ষ্টেটস দিমান্দ তৌরকপগী মায়োক্তা লেপ্পগী খোঙফম হেন্না চেৎশিনহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) : চহী ১০ হেনবগী মমাঙদগী সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুর (এস টি দি সী এম) না মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ তাল্লদুনা মখল কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা ৱাখল মান্নবা লূপশিং থোরক্তুনা খূৎশন্নরকপগী মনুং চন্না ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দব্লিয়ু এম সী) নসু দিমান্দ অসিবু তাল্লকপদগী মীয়াম্নসু মতেং পাংশিল্লকখিবা অমসুং মীতৈ পাঙলশিংনা মখোয়বুসু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরক্লগসু ফুরুপ অনীসিগী দিমান্দশিং অসিগী মায়োক্তা লেপ্পগী খোঙফম হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱারেপ অসি ঙসি চীংমৈরোংগী অদিম জাতি কমপ্লেক্সতা লৈবা এমিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ত্রাইবেল কন্সলটেটিভ মীফমদা শরুক য়াখিবা মরু ওইবা ত্রাইবেল লিদরশিং অমসুং এপেক্স ওর্গনাইজেসন লিদরশিং অমদি নুপী অমসুং মহৈরোয়শিংগী লুচিংবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানদুনা লৌখিবা ৱারেপনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রাইবেল কন্সলটেটিভ মীটিং অসিগী মতাংদা মীফম অসিগী চ্যেরপর্সন ঙাচোনমি চামরোই, ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) গী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফে অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এস আর অন্দ্রিয়ানা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ঙসিগী ত্রাইবেল কন্সলটেটিভ মীটিং অদু 'দ দিমান্দ ওফ মীতৈ/মৈতৈ এন্দ মৈতৈ পাঙল কম্যুনিটিজ ফোর ইনক্লুজন ইন এস টি কেটেগোরি' হায়বা টোপিক অসিদা পাঙথোকখিবনি হায়রি। মীফম অসিদা সিনিয়র ত্রাইবেল লিদর ঙাচোনমি চামরোইনা ময়ায় তাংবল লৌখিবগা লোয়ননা মীফম অসি অটসুমগী প্রসিদেন্ট পাওতিন্থাং লুফেংনা নুংগী ওইবা ৱারোল (কি নোট এদ্রেস) পীরদুনা হৌদোকখি হায়রি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা কূপ্পা খন্নরবা মতুংদা অটসুমনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংবু শৌগৎপগী ফিরেপ অমুক হন্না লৌখিবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকখিবা মীওইশিংনা মীতৈ/মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙলবু এস টিগী ষ্টেটস ফংহনখ্রবদি মণিপুরগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবশিংবু মখা তানা এক্সপ্লোইট তৌবগী 'ফ্লদ গেট' অমা হাংদোকপা ওইনা থোল্লগনি হায়না অকিবা অমসুং নুংনাংবা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

মরম অসিনা মীতৈ/মৈতৈ অমসুং মৈতৈ পাঙলনা এস টি ষ্টেটস দিমান্দ তৌরক্লিবা অসিগী মায়োক্তা লেপ্পগী খোঙফম অমুক হন্না চেৎশিলহন্নবা ঙসিগী মীফম্না য়েৎনদনা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

### হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ১০শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

# 'মণিপুরবু দ্রগ মেনাস, ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্ট ১সুং মাস দিফোরেষ্টেসনদগী কন্নবা খূৎশম্না হোৎনমিন্নগদবনি'



ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) : মণিপুরবু কন্নবগীদমক লৈরিবা ইস্যুশিংগী মনুংদগী দ্রগ মেনাস, ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং অমসুং পাক্তক্লনা উমং-ৱামং কোকথোরকপনচিংবা থবকশিংগী মায়োক্তা লেজিসলেচর, এগজি ক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়রিনা খূৎশম্না হোৎনমিন্নবা চঙই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী হৌরদুনা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা চথগদবা কোর্ট অসিগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী তুংলমচৎপু শোকহনগদবা মরু ওইবা ইস্যুশিং খন্ননবগীদমক লেজিসলেটিভ, এগজি ক্যুটিভ অমসুং জুদিসরিদগী মীহুৎশিং য়াওবা ফোরম অমা শেম্বগী মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাক্তক্লনা উমং-ৱামং কোকথোরকপা, ঙমখৈ ৱাংমা লান্না পুশিল্লকপা ইল্লিগেল দ্রগশিং অমসুং ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগী মতাংদসু ষ্টেট অসিদা চেকশিন্নীংঙাই ওইবা ফীভম অমা মায়োক্লহল্লে হায়রদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটি পূম্নমক্না নেসনল অমসুং ষ্টেটকী সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা ইস্যুশিংদা কমপ্রোমাইজ তৌবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

মায়োক্লরিবা ফীভমশিং অসি খূবাম চেৎনা লাকশিনবগী মথৌ তারি হায়রদুনা প্রোব্লেমশিং ...মখা লামায় ৭ কলম ১

### গুজরাটকী কোর্ট অমনা রাহুল গান্ধীবু চহী ২গী ফাদোক পীখ্রে

### ইম্ফালদা কোংগ্রেসনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



সুরট, মার্চ২৩ (এজেন্সী) : গুজরাটকী সুরট দিষ্ট্রিক্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ঐচ ঐচ বর্মানা ঙসি মহাক্কী কোর্টতা লাউথোকখিবা ওর্দর অমদা কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা ওইরিবা রাহুল গান্ধীবু চহী অনীগী জেলদা থম্নবা ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১৫গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিগী ওর্দর অসি রাহুল গান্ধীগী মথক্তা লৌখৎপা আই পি সী সেক্সন ৪৯৯ (দিফেমেসন) অমসুং সেক্সন ৫০০ (পনিসমেন্ট ফোর দিফেমেসন) গা মরী লৈননি হায়রি।

কোর্টঅসিনা রাহুল গান্ধীবু ফাদোক পীবগী ওর্দর লাউথোকখিবা মতমদা মহাক মশামকসু কোর্টঅসিদা লাকখি। লোয়ননা কোর্টকী মায়কৈদগী মহাকপু চহী ২গী ফাদোক পীবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১৫গী ফাইনগী শেনফম পীননবা খঙহল্লকপগা পন্দ্দনা মহাক্কী মায়কৈদগী মহাকপু ফাদোক পীরিবা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা মহাক্না আপীল ফাইল তৌবা ঙম্নবগীদমক নুমিৎ ৩০নিগী মতম পীবিনবা হায়জরকখিবদগী মহাক্কী সেন্টেন্স অদু সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা মঙোন্দা কোর্টনা বেল পীখি।

কেস অসি গুজরাটকী হান্নগী মিনিষ্টর ওইরম্বা বি জে পিগী এম এল এ পুর্নেস মোদিনা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। কমপ্লেনেন্ট অসিনা ৱাকৎলক্লিবনা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সনগী মাঙওইননা কর্ণাটকাগী কোলারদা ...মখা লামায় ৭ কলম ১

## জে সী আই এল পি এসকী দ্রাইভতা আই এল পি পায়রমদবা নন লোকল ৩০ থেংনরে

ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) : জে সী আই এল পি এসনা মসিগী মহৈরোয় অমদি নুপীগী ৱিংশিং অমসুং সিটি পুলিসকা লোয়ননা ঙসি পাওনা কৈথেলদা চথখিবা ইল্লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং, নন লোকলশিংনা আই এল পি য়াওদনা নৎত্রগা ইনভেলিদ ওইবা আই এল পিশিং পায়বা য়াওব্রা হায়দুনা চথখিবা দ্রাইভতা আই এল পিগী পায়ফম থোকপা চে চাংশিং য়াওরমদবা নুপী য়াওনা মীওই ৩০ হেন্না থেংনরে হায়রি।

মরম অসিগীদমক ফাগৎলবা মীওইশিং অদু সিটি পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা ভেরিফিকেসন চথবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ঙসিগী দ্রাইভ অসিগী মতাংদা জে সী আই এল পি এসকী কনভিনর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা মাও অমসুং জিরিবামগী গেটতা নন লোকলশিংদা আই এল পি পীবগী থবকশিং স্ক্রুটিনি তৌবদা অচৌবা অহোৎবশিং লৈরে হায়বগা লোয়ননা নন লোকল অয়াম্বা মণিপুরগী ভোটর কার্দ অমসুং আধার কার্দনচিংবা পায়রম্বা থেংনরে হায়খি। ...মখা লামায় ৭ কলম ১

## শঞ্জেনথোংদগী মীনুথোং ফাওবগী মরক্তা লম্বী শেম্নবা দিমার্কেসন হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল সিটিবু স্মার্ট সিটি ওইহন্নবগী পান্দম মখাদা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান পরিংদা শঞ্জেনথোংদগী মীনুথোং ফাওবগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা সেমি-পাকা রোদ অসি য়াওনা মিটর ১২ পাকপা অদুগা কিলোমিটর ২.২০ শাংবা লম্বী অমা শেম্নবগীদমক ঙসি জে ইন্ট দিমার্কেসন অমা পাঙথোকপা হৌখ্রে।

লম্বী অসি ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান কংলা নোংপোক থোঙদগী হৌনা ২-লেন ওইহন্নবা শেমগৎকদবনি। অদুগা ঙসি চথখিবা দিমার্কেসন অসিনা থা অসিগী ১৬তা ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না চথখিবনি।

অদুম ওইনমক শঞ্জেনথোং মৈতৈ লৈকায়, মিসন লেন, নমথাপুং, দিমদাইলোং য়াওনা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান্দা লবা ন্যু লম্বুলেন্দ, কে আর লেন্দ, গোলাপতি অমসুং হফিজ হাট্টাগী জে এ সীগী কনভিনরনদি স্মার্ট সিটিগী থৌরাং অসিবুদি তরাম্না ওকই অদুবু শেল্লক্কদৌরিবা লম্বী অসিনা মফমশিং অসিগী য়ুম কয়াদি শোকহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## এন এস সী এন-জি পি আর এনগী ৪৩শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ২৩: নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন)/ গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দ (জি পি আর এন) গী ৪৩শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম থা অসিগী ২১দা লালহৌলূপ অসিগী কাউন্সিল হেদ ক্বার্টরসদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অন দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন অসিগী চ্যেরমেন (প্রসিদেন্ট) য়ুং ওংনা মহাক্কী নাগা লাম্নীশিং অমসুং নাগা মীয়াম য়াওনা ৱেসিয়া রিজনদা অওনবা পুরক্লবগীদমক মতম চূপ্পদা লাহ্নেংনরিবা লালহৌবা মরুপ মপাংশিংদসু য়াইফ পাউজেল পীখ্রে।

লালহৌলূপ অসিগী চ্যেরমেন (প্রসিদেন্ট) ...মখা লামায় ৭ কলম ৭

## 'তোম্বীস্না হায় স্কুলগী কেম্পসপু কৈথেল ওন্থোকপা য়ারোই'

ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস):

লৈঙাক্কী পোলিসি প্রোগ্রামগী মীংদা ইম্ফাল সিটিগী ময়োল মক্তদা লৈরিবা তোম্বীস্না হায় স্কুলগী কেম্পসপু মার্কেট সেদ ওন্থোকপা য়ারোই হায়না স্কুল অসিগী মেনেজিং কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা স্কুল অসিগী মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট টি এম রাজেন অয়াংবনা ফোঙদোকখিবদা তোম্বীস্না হায় স্কুল অসি কুমজা ১৮৯৭তা লিংখৎখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা অহুমশুবা হায় স্কুলনি। মরম অসিনা স্কুল অসি মণিপুরগী পুৱারীগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরক্লিবনি হায়রি।

অসিগুম্বা চৎনবা য়ারোইদবা খোঙথাং অসিনা স্কুল অসিবু মূথৎনবা হোৎনরকপা থৌওং অসি কম্মিটিগী মায়কৈদগী হীরম অমত্তদা য়াবা ঙম্লোই হায়খি।

পনবা য়াবদি, মফম অসিদা কৈথেল শানবা থবক হৌরকপদা কুমজা ২০১৪গী দিসেম্বর ২৬তা মীওইবগী কোক্কী শরূ স্কুল ৮ ফংখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওইবগী শরূ শয়াং খরসু ফংখিবনি। স্কুল অসি কুমজা ১৯৮০দগী ১৯৯৯ ফাওবদা লৈখিবা ইন্সর্জেন্সিগী অকনবা ঈরাং মরক্তা মসিগী কেম্পস অসিবু সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংনা মখোয়গী পোষ্ট ওইনা লৈশিনখিবনি।

## দ্রামা য়েংবা মীগী মশীং হন্থরক্লিবা করিগীনো নৈনগদবনি : খেমচান্দ

ইম্ফাল, মার্চ২৩ (ঐচএনএস): ফোক দ্রামা হায়বসি কলচরেল আইদেন্টিটিগা লোয়নরগা চৎপা দ্রামানি হায়রদুনা মসিনা চুম্নগী খুন্নাইরোলদা শান্নবা দ্রামাশিংগা খেন্নবা লৈ হায়বসিসু অচুম্বা ৱাফমনি হায়না আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি য়াইস্কুল পুলিস লেনগী এম দি য়ু হোলদা নুমিৎ মঙানি চথরকখিবা ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেল ২০২২-২৩ লোইশিনবগী থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। অদুগা চথরকখিবা ফেষ্টিবেল অসি মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা শীনবা ৮শুবা ওল মণিপুর ফোক দ্রামা ফেষ্টিবেলনি।

অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা মিনিষ্টর খেমচান্দনা মখা তানা হায়, কলচরেল আইদেন্টিটিগী ওইবা দ্রামা অমা পুথোকপা হায়বসি লুগনি, য়াম্না লায়না হেক্তা পুথোকপা য়ারোই। দ্রামা অদুদা ক্রিটিসিজমসু লৈগনি অদুগা ৱাখল খনবগী মতমসু চঙগনি। মরম অসিনা দ্রামাগী থৌদাং লৌবীরিবা আর্টিষ্টশিংগী ওইবদসু মরু ওইবশিং লৈবগা লোয়ননা হৌজিক্তি দ্রামা অমা উৎলকপা মতমদা য়েংবীনবা মশীং য়াম্না হন্থরক্লে। মরম অসিনা উৎলিবা দ্রামা অদু করিগী য়েংনীংদ্রিবনো হায়বসিসু নৈননীংঙাই ওইরে হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা থিএটরগী হোলশিং অসিসু মতমগা চানদ্রবরা হায়না খল্লি। হোলশিং অসিসু মতমগা চানদবদগী অয়েংবশিংনা পাল্লক্ত্রিবরা হায়বদুসু নৈনগদবনি। মরমদি ফুটবোল শান্নবা ফাওবা অঙাংশিংনা লৈখোমদা শান্নবদগীদি অনানবা মফমদা শান্নবনা হেন্না পাল্লক্লবা মতমনি। মরম অসিনা এম দি য়ুবু শেমগৎ শাগৎপদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

ঙসিগী দ্রামা ফেষ্টিবেল লোইশিনবগী থৌরমদা এম দি য়ুগী প্রসিদেন্ট সোরাইসম কেসোরামনা থৌরম মপু ওইখি অদুগা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী হেদ ওফ প্রোগ্রাম অধিকারিময়ূম গীৎচন্দ্রনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ব্লুমিং কলচরেল একাদেমি ওফ পর্ফোর্মিং আর্টসকী প্লে 'হেঞ্জুনহা' উৎখি।

## দ্রগ সপ্লাইয়র ১ হিরোইন অমসুং কারগা কোন্ননা ফারে, দব্লিয়ু ৱাই কিলোগ্রাম ২ হেন্না ফারে

ইম্ফাল, মার্চ ২৩ (ঐচএনএস) : লৈঙাক্না চথরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্প্যেনগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমনা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপদা কাইরং থোং মনাক্তা থি হুম্বগী থবক চথবদা দ্রগ সপ্লাইয়রনি হায়বা মীওই অমা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি ইলিয়াজ খান এলিয়জ সনা (২৩) অপোকপা অবদুল ৱাহেব কৌই, মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরোং মথক লৈকায়দগীনি হায়রি। মঙোন দগী য়োন্নবা পুরকপা সাপোন কেপ ২১দা হাপ্পা হিরোইন নম্বর ফোর গ্রাম ২৫৭ ফাগৎপা ঙমখি। মসিদা নত্তনা মহাক্না দ্রগ সপ্লাই তৌবদা শীজিন্নবা মারুটি সুজুকি অমসু ফাগৎখিবগা লোয়ননা মহাক হৈঙাং পি এসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ইল্লিগেল দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌবা মীওইশিংগী মথক্তা চথখিবা দ্রাইভদা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা থম্লম্বা ওটো রিক্সো অমা চঙশিন্দুনা চ্যেক তৌরুবদা দব্লিয়ু ৱাই কিলোগ্রাম ২.২৭৬ ফারে হায়রি। দ্রগ অসি কনানা পুরকপনো হায়বগী খোঙ্গুল মখা তানা লিরকপদা মোরে ৱার্দ নম্বর ২গী মিসন ভেঙদগী নিমখোহাও বাইতে (৩৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা ঙমজাং বাইতে কৌবা মীওই অমনা পুরকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাকপুসু পুলিসনা ফাগৎলবা মতুংদা মখা তানা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথনবগীদমক মহাক্কী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।




### গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : ST Status tanbada furup mashelgi marakta thokhanning-daba thoudok thoktanaba leingak amasung meeyamna hotnaba chumgadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT


Yes ___ No ___

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Sajibu nongma panba numitta Meeteigi chahi houba-Cheiraobagi thouram pangthokpana achumba oiroidra?

Yes 100% No 0%



HL-B/8081/24